# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাও

Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা ফাখিবা শিবলায়া কন্সষ্ট্রক্সন কম্পেনি প্রাইভেট লিমিটেদকী শিন্মী অহুম ফাইলেং কোংকী ভিলেজ চীফনা পুরক্লগা পুলিসতা শিন্নরকখিবগী শক্তম


লামায় ৩

ৱর্ল্ড ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ দা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী মেরি কোমবু ষ্টেট লৈঙাক্লা তরাম্না ওক্তুনা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা *মীথোইলৈমা* গী মিংথোল পীখিবা


লামায় ১

হোন্দা কম্পেনিগী অনৌবা কার এল ন্যু হোন্দা সী আর-ফাইভ এম এল এ, টি এন হাওকিপনা ঘড়ি এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা সঙাই হোন্দা শোরুমদা হৌনবী মতুং ইন্না লোঞ্চ তৌবা


লামায় ৩

অনা-লায়েংগা মরী লৈননা অপীকপা ইন্টরেষ্টতা অনাবশিংদা লোন পীনবগীদমক শীজ হোস্পিটালদা অহানবা ওইনা ঐচ দি এফ সী লাইফ ক্যের ফাইনান্স লোঞ্চ তৌখিবা


লামায় ৩


Vol. 42, Issue No.259 | য়ুমশকৈশা, পোইনু ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Wednesday, December 12, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL POLL

**Q :** Urjit Patel fam thadokkhibasi centre amasung RBI muknarakpadagini haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** DPC gi fal laothoktaba, tolop hengattabagi bandh koubasingda action loukhatfam thok e khanbra?

Yes 52% No 48%


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা


## অস! লোইরেহে!

মসিনি হৌজিক মতমদা মণিপুরদা ওইরিবা বন্দগী শক্তম...!



চুম্মী ভায়না হায়বিরিবা ৱাফম অদুম্মক...!

# এসেম্ব্লি মীখল : কোংগ্রেসনা এম পি, রাজস্থান, ছটিশগরদা মায় পাক্লে; মিজোরামদা মায়থিরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট মঙাদা পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লি মীখলগী ফল লাউথোকখিবগা লোয়ননা মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং ছটিশগরদা কোংগ্রেসনা সীট খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙমখ্রে। মিজোরাম অমসুং তেলঙ্গনাদা মথংশিংনা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) অমসুং তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিটি (টি আর এস)না মায় পাক্লে।

| ছটিশগর (অপূনবা সীট ৯০) | | মধ্য প্রদেশ (অপূনবা সীট ২৩০) | | মিজোরাম (অপূনবা সীট ৪০) | | রাজস্থান (অপূনবা সীট ১৯৯) | | তেলঙ্গনা (অপূনবা সীট ১১৯) | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| INC | 68 | INC | 114 | MNF | 26 | INC | 99 | TRS | 88 |
| BJP | 15 | BJP | 109 | INC | 5 | BJP | 73 | INC | 19 |
| JCC(J) | 5 | BSP | 2 | BJP | 1 | BSP | 6 | BJP | 1 |
| Other parties | 2 | Other parties | 5 | Other parties | 8 | Other parties | 21 | Other parties | 11 |

ইলেক্সন কম্মিসনদগী নুমিদাং পুং ১১ ফাওবদা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না মধ্য প্রদেশকী অপূনবা এসেম্ব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ২৩০ দা মীখল পাঙথোকখিবদা কোংগ্রেসনা সীট ১১৪, বি জে পিনা ১০৯, বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না ২, ইন্দিপেন্দেন্ট অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ৫ ফংবা ঙমখি।

রাজস্থানগী ওইনা অপূনবা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৯৯ দা মীখল পাঙথোকখিবদা, কোংগ্রেসনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯৯, বি জে পিনা ৭৩, বি এস পিনা ৬ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা ২১দা মায় পাকখি।

ছটিশগরগী ওইনা অপূনবা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯০ দা মীখল পাঙথোকখিবদা কোংগ্রেসনা সীট ৬৮, ...


*মখা লামায় ৩ কলম ৪*


# লোক সভা মীখলগী শেম-শারিবশিং ইলেক্সন কম্মিসনগী টিমনা য়েংশিনখ্রে

**ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল জান্যুৱারি ৪ দা ফোঙনবা থৌরাংলি, ভি ভি পেট দেমোন্সত্রেসন চৎখরি : সী ঈ ও**



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী সেক্রেটরি মহম্মদ উমরনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমা ইম্ফালদা লাক্তুনা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিনখ্রে। সী ঈ ও ওফিসতগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি ঈ ওশিংগা ৱারী শাদুনা মীখলগা মরী লৈনবা হিরম কয়া খন্নখ্রে।

মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর পি কে সিংহগা পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা হায়খি, লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তোঙানবা থৌরাংশিং য়াংনা চঙশিল্লি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী টিম অমসু ইম্ফালদা লাক্তুনা মীখলগা মরী লৈনবা থবকশিং য়েংশিল্লি। ওফিসলশিংনা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) অমদি ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পেট) দেমোন্সত্রেসনগী থবকসু কন্না চৎখরি। ভি ভি পেট করম্না শীজিন্নগদগে হায়বদুগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীনবা থৌরাংশিং অসি পায়খৎপনি। ষ্টেট অসিগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৮৬১ গী মনুংদা চাদা ৭০ গী ময়াদা ...


*মখা লামায় ৩ কলম ২*


## নুপী লালগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): নুপী লাল নুমিৎনা লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমদি মিনিষ্টর কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মণিপুরগী গভর্ণরনা নুপী লালগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, নুপী লাল নুমিৎনা লাকপদা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। বৃটিশ লৈঙাক্লা চথবা নমথবগী পোলিসি কয়াগী মায়োক্তা মণিপুরী ...


*মখা লামায় ৩ কলম ৬*


## মেরি কোমদা *মীথোইলৈমা* মিংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে

**ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী রোদতগী গেম ভিলেজ তাবা লম্বী এম সী মেরি কোম রোদ হায়না মিংথোল্লগনি : সী এম**

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ দা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী মেরি কোমবু ষ্টেট লৈঙাক্লা তরাম্না ওক্তুনা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা মীথোইলৈমগী মিংথোল পীখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্লা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এ আই বি এ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদলিষ্ট মেরি কোমদা মীথোইলৈমগী মিংথোল পীবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১০গী চেক খূৎশিন্নখি। মেরি কোমদা ইকায় খুম্নদুনা মহারানীনা শীজিন্নবা কজেংলৈ, ফনেক মপান নাইবী, খ্বাঙচেৎ অমদি অপাবা ইনফিসু খূদোল তমখি। ফিজোলশিং অসি লমদমসিগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্লী নুপীশিংদা পীবা খূদোলনি। গেম ভিলেজ তাবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী রোদ অসিসু এম সী মেরি কোম রোদ হায়না মমিং লাউথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন ...


*মখা লামায় ৩ কলম ৪*


## ব্রাউন সুগর য়োনবগী কেসতা দি এস পি ১ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ময়াই কাবা পোৎলম ব্রাউন সুগর য়োনবগী কেস অমগা মরী লৈননা তখেল্লম্বম বঙ্কবিহারী (৫৫) কৌবা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমা ফারে হায়না মণিপুর পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।


নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসসু ওইরিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, দল্লিয়ু বাসু, এম পি এসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওক্টোবর ২৮ গী নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা ...


*মখা লামায় ৩ কলম ২*



HL-P/5719/23/11-22/12




HL-B/5057/12